# রাজপাঠতা ফজরবা মচু কয়াগী পেরেদকা লোয়ননা ৬৫শুবা রিপব্লিক দে থৌরম পাঙথোকখ্রে



**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৬ ঃ** ঙসি লৈবাক অসিগী ইনাক খুল্লবা কলচরেল হেরিটেজগী তোঙান তোঙানবা শক্তমশিং, লম্ কয়াদা মায় পাক্লবা অমদি মিলিটরিগী শক্তিশিং রাজপাঠকী লম্বীদা উৎখ্রে।

লৈবাক অসিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা দিল্লিগী রাজপাঠতা ৬৫শুবা রিপব্লিক দেগী থৌরম অকনবা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

রাইসিনা হিল্সতগী র‍্যেদ ফোর্ট তম্না লাকখিবা শক্তি কয়া উখোল্লবা পেরেদ অদুনা কিলোমিটর ৮লোম শাংবা লম্বী অদু থনখি। মপূং ফানা শীল–লাংলবা মিলিটরি অমসুং পুলিসকী কন্টিঞ্জেন্ট অদু জেনরেল ওফিসর কমান্দিং (দিল্লি) লেফ্টনেন্ট জেনরেল সুব্রোটো মিত্রানা লমজিংলকখি।

রাজপাঠকী লম্বী অদু ফজরবা বেন্দগী মখোলনা নিনখি। ভারতকী প্রনাব মুখর্জিনা য়াল্লবা কন্টিঞ্জেন্টশিং অদুগী সলামি ওকখি। নোংমাইজিং নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রিপব্লিক দেগী থৌরম অদুদা জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেনা চিফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। ভাইস প্রসিদেন্ট হমিদ অন্সারি, প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ, য়ু পি এগী চ্যেরপর্সন সোনিয়া গান্ধি অমসুং লৈবাক অসিগী রাজনিতি অমসুং মিলিটরিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং অমসুং দিপ্লোমেট–শিংসু থৌরম অদু মীৎয়েং তাখি।

নীংথম–থাগী অঙ্গংবা মরক্তা মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না রেদ ফোর্টতা তিন্দুনা থৌরম অদু থৱাই য়াওনা য়েংনখি।

রিপব্লিক দেগী পেরেদ হৌদ্রিঙৈগী মিনিট অমগী মমাঙদা ডাঃ মনমোহন সিংহ, দিফেন্স মিনিষ্টর এ কে এন্থোনি, আর্মিগী লুচিংবশিং, নেভি অমসুং এয়রফোর্সকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংনা অমর জৱান জ্যোতিদা লৈ পরেং কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

ইন্দো–টিবেটান বোর্দর পুলিস অমসুং দিল্লি পুলিসকী সেক্যুরিটি পর্সনেল ২৫,০০০ না মরু ওইবা মফমশিংদা লৈদুনা ঙাক–শেনখি।

প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জি অমসুং জপানগী প্রাইম মিনিষ্টর সিনজো অবেনা রাজপাঠতা লৈবা সেলুটিং বেজদা থুংলখিবগী হেক মতুংদা পেরেদ অদু হৌখি।

পেরেদ হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা অন্ধ্র প্রদেশকী কাওন্টর–মাওইষ্ট ফোর্সকী সব–ইন্সপেক্টর কে প্রসান্ত বাবুদা লৈবাক অসিগী শীংথানিংঙাই ওইরবা অমদি শান্তি থম্নবগী লম্দা পীবা খ্বাইদগী ৱাংবা গেলেন্টরি এৱার্দ অশোক চক্র পীখি।

মনা অদু অন্ধ প্রদেশ অমসুং সটিছগরগী ঙমখৈগী লমদমদা চত্থখিবা এন্টি–নেক্সল ওপরেশন্দা মহাক্না লুচিংদুনা মায় পাকহনখিবগীদমক ইকায়খুম্নবা উৎতুনা পীবনি। পেরেদ অদুগী খ্বাইদগী পূক্নিং চিংশিন্নিংঙাই ওইখিবা অমা হায়রগদি এয়রফোর্সকী শক্তি উৎখিবা, তোঙান তোঙানবা কলচরগী টেব্লোশিং অমসুং মচু কয়াগী ফিজোল লৈতেংবা ছাত্রশিংনা উৎখিবা জগোইশিং অদুনি।

লৈবাক অসিনা মশা মথন্তা ওইনা শেমগৎচবা লাইট কোম্বেট এয়রক্রাফ্ট টেজাজসু পেরেদ অদুদা উৎখি। লোয়ননা মেন বেট্টল টেঙ্ক অর্জুন এন কে–টুসু থৌরম অদুদা উৎখি। টেঙ্ক অদুসু লৈবাক অসিনা লমদম অসিদা দিজাইন তৌজদুনা পুথোকপা অহানবা টেঙ্কনি হায়রি।

হন্দক্তা নৌনা ট্রান্সপোর্ট এয়রক্রাফ্টতা ইন্দক্ট তৌখ্রবা এয়রক্রাফ্ট সি–১৩০জে সুপর হার্কুলিস অমসুং সি–১৭ গ্লোবমাষ্টর অরূম্বা কয়া থাঙ্গৎপা ঙম্বা, শান্না পাইবা ঙম্বা এয়রক্রাফ্টশিংনা উৎপা ফ্লাইট পাস অদুনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখিবনি।

দিফেন্স রিসর্চ দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেশন(দি আর দি ও) না 'আষ্ট্রা' অমসুং হেলিনা মিসাইল, ঈশিং মনুংদা থৌবা য়াবা গারীগী মোদেল মিনি য়ু এ ভি নেট্রা, ট্রেক সর্ভিলেন্স ভেহিকল মুন্ট্রা এস অমসুং অনমেন এরিয়েল ভেহিকল নিশান্ট উৎখি।

খূৎলায় উৎপা অমা ওইনা ইন্দিয়ন আর্মিনা টি–৯০ টেঙ্কভিস্মা, মল্টি লোঞ্চর রোকেট সিষ্টেম স্মর্চ, ব্রহ্মোস ৱিপন সিষ্টেম অমসুং কোইপু পুবা য়াবা সেট্টলাইট টর্মিনেলশিংসু উৎখি।

আর্মি এভিয়েশন কোর্পসকী এদভান্স ওইরবা লাইট হেলিকোপ্টর দ্রুভনা ফ্লাই পাচ পেরেদসু পাঙথোকখি। পেরেদশিং অদুগী মনুংদা লান্মীগী শগোল তোংবা কাঙবু, পেরাচুট রেজিমেন্ট, পঞ্জাব রেজিমেন্ট, মদ্রাজ রেজিমেন্ট, রাজপুটনা রাইফল্স, মহার রেজিমেন্ট, জম্মু এন্দ কাশ্মির লাইট ইনফেন্ট্রি রেজিমেন্ট, ৯শুবা গুর্খা রাইফল্স অমসুং ১০৩শুবা ইনফেন্ট্রি বট্টালিয়নশিংসু য়াওখি।

ইন্দিয়ন এয়রফোর্সনা পুথোকপা টেব্লো অমনা হৌখিবা চহি ৮০ দা হোংলক্লিবা শক্তিশিং উৎখি। ইন্দিয়ন নেভিনা সব–মেরিনগী পীকথহল্লবা মোদেল অমসুং উৎপগা লোয়ননা মখোয়দা শিন্নরিবা মথৌ পাঙথোকপা ঙম্বগী শক্তিসু উৎখি।

নেভিগী কন্টিঞ্জেন্ট অদু সর্জন্ট লেফ্টনেন্ট অম্বিকা নাওটিয়ালনা লুচিংলকখি। অদুগা এয়রফোর্সকীনা স্কৱাদ্রোন লীদর মনভেন্দরনা লুচিংখি।

মার্চ পাচ চৎখিবা কন্টিঞ্জেন্টশিং অদুদা পেরামিলিটরি অমসুং অতোপ্পা ফোর্সশিংসু য়াওখি। মখোয়গী মনুংদা বি এস এফ, অসাম রাইফল্স, কোষ্ট গার্দ, সি আর পি এফ, ইন্দো টিবেটান বোর্দর পুলিস, সি আই এস এফ, সুসাত্রা সিমা বাল, রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্স, দিল্লি পুলিস, নেশনেল কেদেট কোর্পস অমসুং নেশনেল সর্ভিস স্কিম য়াওরি।

নেশনেল ব্রেভরি এৱার্দ ২০১৩ ফংখ্রবা অঙাং ২৫গী মনুংদা ২০না শাবা কন্টিঞ্জেন্ট অমসু শরুক য়াখি। বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সকী উট তোংবা কন্টিঞ্জেন্ট অমসুং এক্স সর্ভিসমেনশিংগী কন্টিঞ্জেন্টনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিনখি।

আর্মফোর্সকী মথংদা পুলিস ফোর্মেশনশিং লাকখি। মদুগী মতুংদা কলচরেল ট্রুপশিংগী পেরেদ লাকখি। লোয়ননা টেব্লো ১৮সু য়াওখি। টেব্লোশিং অদু ষ্টেট ১৩ অমসুং তোঙান তোঙানবা মিনিষ্ট্রি ৫না শেমগৎলকখিবনি।

বি এস এফকী মোটোর সাইকল টিম জানবাজগী পেরেদনা কুন্দ্রৈ য়েংলিবা মীয়াম্বু অকি–তুজুংবা ফাওহনখি। মখোয়না উৎখিবা হৈ–শিংবা অদুদা ঙক্না য়েংনখি। পর্সনেলশিং অদুনা সাইট রাইদিং, লেদ্দর দবল, নেক রাইদিং, হার্মোনি, হ্যুমেন পিরামিদ অমসুং অতোপ্পা মখলগী হৈ–শিংবশিং উৎখি।

ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী ফ্লাইট পাচ অদুনা অরোইবা ওইনা মীয়ামদা অঙকপা ফাওহনখি। ফ্লাইট পাচ অদুনা চক্র শেম্বা অমদি এম আই–৩৫ হেলিকোপ্টরশিংনা পাইদুনা মখোয়গী হৈ–শিংবশিং মীয়ামদা উৎখি।

## হিমাচলগী বন্দিশিংনা রিপব্লিক ডে পেরেদ শরুক য়াখ্রে

**শিল্লা, জনুৱারি ২৬ ঃ** প্রিজনর ১৩না মখোয় মশাবু মনীং তম্বা উৎতুনা রিপব্লিক ডেগী পেরেদতা শরুক য়াবগা লোয়ননা সারে জহাঁ অসা শকখ্রে।

হিমাচল প্রদেশকী জেল অনীদগী প্রিজনর ১৩ অদুনা লমদম অদুদা অহানবা ওইনা মীওই ১৩না শাবা বেন্দ কন্টিঞ্জেন্ট অমা শেমদুনা পেরেদ অদু শরুক য়াখিবনি হায়রি।

পেরেদ অদুবু লুচিংখিবা মী হাৎপগী মরাল ফাদোক তারবা রাম কৃষ্ণ কৌবা মীওই অমনা লুচিংখি। মহাক্না ফোঙদোকখিবদা রিপব্লিক ডেগী থৌরমদা মখোয় মশামক য়াওবা ফংজবা মীকূপ অদু চাউথোকচনিংঙাই হায়খি।

অঙৌবা ফিজোল শেৎপা খ্বাংদা পেটি লাকপা বেন্দ কন্টিঞ্জেন্ট অদুনা পেরেদশিং সলামি ওক্লিবা গভর্ণর উর্মিলা সিংহনা লেপ্লিবা মফম য়ৌরকপদা মীয়ামগী মরু ওইবা পূক্নিং চিংশিনফম অমা ওইখি।

থৌরম অদু হিমাচলগী চিফ মিনিষ্টর বির ভদ্র সিংহ মহাক্কী মিনিষ্টর অমসুং অতোপ্পা দিগ্নিটরি কয়ানা মীৎয়েং তাখি।

এদিশনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস এস আর মার্দিনা হায়খিবদা, প্রিজনরশিংনা রিপব্লিক ডে পেরেদতা শরুক য়াহল্লিবা অসিনা লৈবাক্কী ওইনা অহানবনি। বন্দিশিং অদু নীংথিনা জ্ঞান তারবা অমদি শেমদোক্লবশিংনি হায়খি।

মখোয়বু শরুক য়াহনখিবা অদু সরকারনা বন্দিশিংবু অচুম্বা লম্বীদা শেমদোক্লবগীদমক লৌখৎলকপা থৌরাং অমগী মখাদনি হায়রি। প্রিজনরশিং অদু শিল্লাগা নক্লনা লৈবা মোদেল সেন্ট্রেল জেল অমসুং নহান সেন্ট্রেল জেল লৈবা ঙাক্তনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, বেন্দ কন্টিঞ্জেন্ট অদু নহানগী প্রিজন দিপাটমেন্টনা শেমগৎপনি। মদুনা বন্দিশিং অদু মখোয়গী হৈবগী মতুং ইন্না শেল থোকহনবসু ঙম্লে হায়রি।

হায়রিবা বেন্দ কাঙবু অদু লুহোংবা অমসুং সোসিয়েল ফঙ্কশন কয়াদা মীয়াম্না নেক্লরি। মদুনা মরম ওইরগা বন্দিশিং অদুদা শেল তানবা ঙম্লিবনি হায়খি।

## খোঙজং চঙশিনবশিং ফাখ্রে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৬ ঃ** কংগ্রেসকী সেনিয়র লীদর অহমদ পতেলগী য়ূমগী মমাংদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওই ২৮ ফারে। ফারবশিং অদু সিটি কোর্টতা পুথোক্লবা মতুং নুমিৎ তরুক্নি জুদিসিয়েল কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে।

জোবাকতা লৈবা করবালাগী নর্সরি বিল্ট অমদা মখোয়বু চঙবা য়াহল্লু হায়না মীওইশিং অদুনা খোঙজং চঙশিল্লকপদা পুলিসনা ইরাই নুমিৎকী অথেংদা ফাগৎখিবনি হায়রি।

খোঙজং চঙশিনখিবশিংনা ফোঙদোরকপদা, মখোয়না খোঙজং অদু শান্তি ওইনা চঙশিনখিবনি। অদুবু প্রিভেন্টিভ প্রোভিজন ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিদ্যুর কোর্টকী মখাদা মখোয়বু পুলিসনা ফাজিনবীখি।

পুলিসনা মীওই অমা ফাবা হায়বসি মেজিষ্ট্রেট অমগী অয়াবা য়াওরবা মতমদা চত্থগদবনি হায়খি।

## মাওইষ্টশিংনা মীওই মঙা ফাখ্রে



**রাঞ্চি, জনুৱারি ২৬ ঃ** ঝর্খন্দগী গিরিদিহ দিষ্ট্রিক্টতা মাওইষ্টনি চিংনবশিংনা মীওই মঙা থাংজ নুমিৎতা ফাখ্রে। তুংদা মখোয়গী দ্রাইভর অদুদি থাদোক্লম্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

মাওইষ্টশিং অদুনা ফাখিবা মীওই মঙাগী মনুংদা অহুমদি প্রাইম মিনিষ্টর রুরেল দিভেলপমেন্ট ফেল্লোশিপ প্রোগ্রামগী মেম্বরশিংনি।

খূৎলায় পায়বা মীওইশিং অদুনা নভাকানিয়া খুঙ্গংদগী মীওইশিং অদু ফাখিবনি হায়না পুলিসনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। হায়রিবা মফম অদু রাঞ্চিদগী কিলোমিটর ৩০০লোম চৎলগা লৈবা মফম্নি হায়রি।

মাওইষ্টশিংনা ফাখ্রবা মীওইশিং অদু কন্ননবগীদমক ওপরেশন চত্থবা হৌরে হায়না গিরিদিহ পুলিসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট কান্তিকুমারনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

## অচুম্বদু খঙমিন্নসি

### মালেম লৈকোইপুংগী ৱাংমদা–৫

*তাইবং জিব পানবা পূম্বনা লৈরিবা মালেম লৈকোইপুংসিগী ৱাংমদা অহাংবা অতিয়াদা রোকেট শীজিন্নদুনা মীওইবনা হকথেংননা চৎখিদ্রিঙৈদা শা, ঙা অতৈ তিল–কাং জিব পানবশিং হান্না থাদুনা চাংয়েং কয়া চত্থখি। অসুম্না মালেম লৈকোই পুংসিগী ৱাংমদা চৎখিবা ইহান হানবা শা অসি অলবর্ট ৱান কৌবা য়োং লাবা অমনি। য়ু এস এয়ারফোর্সকী ওইখ্রবা জর্মন V2 রোকেট হায়বা অমদা অলবর্ট ৱান অসি হাপ্পুনা ইং ১৯৪৮ দা অহাংবা মালংদা থাগৎখিবনি। মদুগী মতুং ইং ১৯৫১ দা থাগৎখিবা য়ু এস এরোবী রোকেটতসু য়োং অমগা উচি ১১হাপখি। হায়রিবা জিবশিং অসি মালেমগী অকোইবা (ওর্বিৎতা)দা থমখিবদি নত্তে, ইচম চম্না মালংদা থাগত্তুনা নুমিৎকী রেদিয়েসন অমদি অরূম্বা হম্বরকপদা মখোয়গী হকচাংদা করি অকায়বা অহোংবা লাকপগে হায়বদু থিজিনখিবনি।*

## রিক্সো পুল্লর বিজয় বাবানা হোস্পিটাল অমা শঙ্গাখ্রে




*রিক্সো পুল্লর বিজয় বাবা (ওয়)না হোস্পিটাল শঙ্গাবদা চিফ মিনিষ্টর অর্বিন কেজ্রিৱালনা য়েংবা*

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৬ ঃ** লোধি কোলোনিদা লৈবা হেন্না পাকথোক–চাউথোকহল্লবা মেটর্নেল হোস্পিটাল অমা থাংজ নুমিৎতা চহি ৬০ শুরবা ঠেলা–রিক্সো পুল্লর অমনা শঙ্গাখ্রে।

দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা আম আদমি পার্টিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী পান্দমদা বিজয় বাবাবু বার্ত্তণ তৌদুনা হোস্পিটাল অদু শঙ্গাহনখিবনি হায়রি।

বিজয় বাবা দিল্লিগী কোন্নাওট পেলেস লমদমদা পোৎ–চৈ হোনবগী থবক তৌবা মীওইনি। মহাক্না হেন্না পাকথোক–চাউথোকহল্লবা অমদি খুদোংচাবা কয়া লৈহল্লবা হোস্পিটাল অদু অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল য়াওনা শঙ্গাখি।

বাবানা পাউচে অমদা ফোঙ–দোকখিবদা, অদুগুম্বা হোস্পিটাল অমা শঙ্গাবদা হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওই। মদুগীদমক অর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু থাগৎলি হায়রি।

বাবা হায়রিবা মীওই অদু চহি অনীগী মমাঙদগী আম আদমি পার্টিবু হকথেংননা শৌগৎলকখিবা মীওইনি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এ এ পিবু শৌগৎতুনা মহাক্কী রিক্সো অদু থৌদুনা দিল্লিগী মফম কয়াদা চৎখি।

রিক্সো পুল্লর অদু কোন্নাওট পেলেসতা দম্বুর খন্দুনা শেম্বা মহাক্কী য়ূম অমদা চহি ১৪খক্তা ঙাইরিবা মচানুপা সুরজগা লৈমিন্নরি।

নুমিৎ ৫নিগী মমাঙদা কোন্নাওট পেলেসতা লৈবা মহাক্কী লৈফমদা এ এ পিগী মীওই মঙা লাক্কুনা দিল্লিগী চিফ মিনিষ্টর কেজ্রিৱালনা মহাকপু হোস্পিটাল অমা শঙ্গাহনবা পাম্মী হায়না ফোঙদোক্লমখি।

চিফ মিনিষ্টরগী ৱাফম অদুদা মহাক খম থেংনা ঙকপা ফাওখি। ঠেলা রিক্সোৱালা অমদা করম্বা ইকায়খুম্নবা পীগদৌরিবনো। অদুগা মহাক্না করি তৌগদবনো হায়বদু ৱাহং অমা ওইখি হায়খি।

আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মহাকপু ইরাই নুমিৎতা কৌরক্তুনা উন্নখি। মদুদা চিফ মিনিষ্টর অদুনা হোস্পিটাল অদু শঙ্গানবা থৌরাং তৌবীরো হায়না হায়জরকখি হায়রি।

## অভিসেক বর্মাগী লৈফমদগী অতাংবা মখলগী পেন্টিং ৩৬ ফারে

**ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ২৬ ঃ** ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা থাংজ নুমিৎতা অভিসেক বর্মাগী দিল্লিদা লৈরিবা য়ূমদগী অতাংবা মখলগী পেন্টিং ৩৬ ফাগৎখ্রে। পেন্টিংশিং অদু এম এফ হুসেননা য়েকপা ওইগনি হায়রি।

অভিসেক বর্মা হৌজিক টিহার জেলদা সি বি আইনা থাঙ্গৎলকপা তোঙান তোঙানবা কেসশিংনা মরম ওইরগা টিহার সেন্ট্রেল জেলদা লৈরি।

এজেন্সি অদুনা মমাংদা প্রিভেন্সন ওফ মণী লোন্দরিং এক্টকী মখাদা কেস লৌখৎতুনা লাকখিবনি। মমাঙ চহিগী ওক্টোবরগী অরোইবা শরুক্তা এজেন্সি অদুনা বর্মা অমসুং মহাক্কী লোয়নবী অনকা মারিয়াগী লৈফমদগী মপান লৈবাকশিংনা শাবা খুদাং ঘরী ১৬সু ফাগৎখি। মদু চাউরাক্না লুপা লাক্ষ ৪৪ রোমগী ভেল্যু ওইগনি হায়রি।

খুদাং ঘরীশিং অদু সি বি আইনা মখোয়গী কেস প্রোপর্টি ওইনা সীজ তৌখ্রে। মখা তানা প্রমাণ পুথোক্ন–বগীদমক ভাষন্ত কুঞ্জদা লৈবা ফার্ম হাউস অমদা ইনফোর্সমেন্ট দিরে–ক্টোরেটনা থি–হুম্বগী থবক চত্থখি।

পাউ অদুনা মখা তানা ফোঙ–দোরকখিবদা বর্মা অমসুং গান্তোন ইন্দিয়া কম্পনিগী ভারাগী য়ূম অমদা লৈরিঙৈদা সি বি আইনা মহাকপু চহি অনীগী মমাঙদা ফাখিবনি।

মহাক্কী লোয়নবী অনকা ফার্ম অদুগী দিরেক্টর ওইরম্মী হায়রি। ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী টিম অদুনা বর্মাগী অপোকপী অমসুং মরুপ–মপাংশিংগী লৈফমশিংদসু থি হুম্বগী চত্থখি হায়রি।




